## বি কিপ্পিংগী ৱার্কশোপ পাঙথোক্কনি

**ইম্ফাল, এপ্রিল ১৮ (ঐচএনএস) :**
খুন্নাই অপূনবা বি কিপ্পিং এন্দ হোনি প্রোসেসিং প্রদ্যুস কম্পেনি লিমিটেদনা শিন্দুনা নোংমগী ওইবা এৱ্যেরনেস প্রোগ্রাম কম ৱার্কশোপ অমা জি পি ৱুমেন্স কোলেজগী হোলদা থা অসিগী ২০ গী অয়ুক পুং ১০ তাবদা পাঙথোক্কনি হায়রি।

কেরিয়র ওরেন্টেদ কোর্স (সি ও সি) বি কিপ্পিং জি পি ৱুমেন্স কোলেজদা য়ুন্থু ওইদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা নোংমগী ওইবা ৱার্কশোপ অসি কে ভি আই সি ইম্ফালনা স্পোন্সর তৌবনি হায়রি।

## এ আই এস এফনা য়ানিংদবা ফোঙদোক্লি

**ইম্ফাল, এপ্রিল ১৮ (ঐচএনএস) :**
ইম্ফাল ইষ্ট ডিষ্ট্রিক্টকী হোস্পিটাল শাবগী মফম হোংখিবা থৌওংগী মায়োক্তা শগোলমাংগী মীয়াম্না ডেমোক্রেটিক ওইবা খোঙজং চঙশিনবদা লৈঙাক্না পুলিস পার্সোনেলশিং শীজিন্নদুনা মীয়ামদা টিয়র গ্যাস কাপ্তুনা অশোক-অপন নংহনখিবগী থৌওং অসি ওল ইন্দিয়া ষ্টুডেন্টস ফেডরেসন (এ আই এস এফ) মণিপুর ষ্টেট কাউন্সিলনা য়ানিংদবা ফোঙদোরক্লি। এ আই এস এফকী ষ্টেট সেক্রেটরিনা থোকপা চেরোল অমনা, লৈঙাক্না অথুবা মতমদা মপুং ফাবা ৱারোইশিন অমা পুরক্নবা তকশিল্লক্লি।

## বিদুরদা পীরগনি

**ইম্ফাল, এপ্রিল ১৮ :** হিজম রোমণি মেমোরিয়েল ট্রষ্টনা চহি ২/২ লৈরগা পীগদবা হিজম রোমণি এৱার্দ ২০১৮ কী ওইনা অইবা, ফিল্ম অমসুং থিয়েটর ক্রিটিক লোয়ননা কলচরেল এক্টিভিষ্ট রাজকুমার বিদুরদা পীরগনি হায়রি।

হিজম রোমণিনা লৈখিদবা অহানবা কুমওনগা মরী লৈননা পীগদৌরিবা এৱার্দ অসিদা শেল ওইনা লুপা লিশিং ১০, সাইটেসন ১ অমসুং সোল ১ য়াওরি। থা অসিগী ২৬ কী নুংথিল পুং ৩ তাবদা য়াইস্কুল পুলিস লেনদা লৈবা মণিপুর ড্রামাটিক য়ুনিয়নগী হোলদা পাঙথোকপা থৌরমদা এৱার্দ অসি লান্থোক্কনি হায়রি।

## লিলোং এরিয়া কম্মিটি শেমখ্রে

**ইম্ফাল, এপ্রিল ১৮ (ঐচএনএস) :**
সোসলিষ্ট ষ্টুডেন্টস য়ুনিয়ন ওফ মণিপুর (এস এস য়ু এ) না লময়ানবা ইৱাবতকী ৱাখল্লোননা লমজিংদুনা মান্নবা খুন্নাই অমগীদমক হেন্না পাকথোক-চাওথোকহন্নবগী পান্দমদা লিলোং এরিয়া কম্মিটিগী নৌনা থৌপুগদবশিং খনখ্রে। লোয়ননা জাকির হুসেনবু প্রসিডেন্ট, কে ঐচ অসিব খানবু জেনরেল সেক্রেটরি, এম ডি জায়িদ খানবু ফাইনান্স সেক্রেটরি, বি এম ফিরোজ খানবু ওর্গনাইজেসন সেক্রেটরি ওইনা খনখ্রে হায়না এস এস য়ু এমগী কো কনভেনরনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

## কম্মান্দোনা য়ু জি অনী ফারে

ইম্ফাল, এপ্রিল ১৮(ঐচ এন এস):
ইম্ফাল ৱেষ্ট পুলিস কম্মান্দোগী টিম অমনা তোঙান তোঙানবা মফমদা থি-হুন্বা চথবদা য়ু জি অনী ফারে হায়রি।

পুলিসকী পাউনা হায়, থা অসিগী ১৫ গী নুংথিল পুং ৩.৪৫ রোম তাবদা ইম্ফাল ৱেষ্ট পুলিস কম্মান্দোগী টিম অমনা কে আর এফকী কাদরনি চিংনবা মীওই অমা কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা সী লমজাং খুলদগী নোংমৈগা কোন্ননা ফারে হায়রি। ফারবা মীওই অসিগী মমিংনা মাংবোই গুইদে (৩৯), অপোকপা পাওকপ গুইতে কৌই। মঙোন্দগী কাপ্পা য়ারিবা মরু মরি য়াওবা পিষ্টোল অমা ফংলে হায়রি। অমরোমদা, থা অসিগী ১৫ দা উরিপোক বাচস্পতি লৈকায়দগী লাইশ্রম বেমবেম এলিয়স থাবা (২৬), অপোকপা অমুজাও কৌবা প্রিপাক্কী ৱিমেন কাদরনি চিংনবা অমা মৈতৈ লমখায়দগী ইম্ফাল ৱেষ্ট পুলিস কম্মান্দো অমদি ৬ শুবা অসাম রাইফলসকী কম্বাইন্দ ফোর্সনা ফারে হায়রি।

## রোয়েল ইনফিল্ডগী শো ৱুম হাংদোকখ্রে

ককচিং, এপ্রিল ১৮ : রোয়েল ইনফিল্ডগী শো ৱুম অমা ঙরাংদগী ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী ককচিং সুমাক লৈকাইদা হাংদোকখ্রে।ককচিং মোটরস হায়না মীংথোনবা রোয়েল ইনফিল্ড ওঠোরাইজ দিলর ওইরিবা শো ৱুম অমসুং সর্ভিস ষ্টেসন অদু ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী এস পি ভিক্টোরিয়া য়েংখোমনা রিবন কক্তুনা হাংদোকখি।ককচিং, থৌবাল, চান্দেল অমদি তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টকী মফমশিংদগী মীয়াম্না রোয়েল ইনফিল্ডগী শো ৱুম অসিদা রোয়েল ইনফিল্ডগী মখল খুদিংগী বাইকশিং ফংহনগদৌরি। রোয়েল ইনফিল্ডগী শো ৱুম হাংদোকপা থৌরম অদুগা মরী লৈননা, পল্লেল, চান্দেলনচিংবা মফমশিংদা রোয়েল ইনফিল্ড বাইক রেলি অমসু এস পি ভিক্টোরিয়া য়েংখোমনা ফ্লেগ ওফ তৌদুনা লমথাখি।

## এমসু, কাদানা শিন্দুনা মহৈ তম্ফম শঙশিংদা এন্টি দ্রগ কেম্পেয়ন লেপ্তুনা পাঙথোক্লি

ANTI DRUG CAMPAIGN
Theme : Lets Stand Against Subst... Abuse

**ইম্ফাল, এপ্রিল ১৮ :**
ওল মণিপুর ষ্টুষ্টেন্টস য়ুনিয়ন (এমসু) অমসুং কোলিসন এগেনষ্ট দ্রগস এন্দ অলকোহল (কাদা) না লমদম অসিগী তোঙান তোঙানবা মহৈশঙশিংদা লেপ্তুনা চথরকপা একাদেমীক কেম্পেয়ন ' লেটস ষ্টেন্দ এগেনষ্ট সবষ্টেন্স এব্যুস হায়বা বেনরগী মখাদা চথরকপা এন্টি দ্রগ কেম্পেয়নগী মনুং চন্না ইম্ফাল ইষ্ট ডিষ্ট্রিক্টকী শঞ্জেম্থোংদা লৈবা কিংস ৱে ইংলিস স্কুলদা ঙসি এন্টি দ্রগ কেম্পেয়ন পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা কাদাগী প্রসিডেন্ট ইন চার্জ হিজম প্রিয়োকুমার অমসুং স্কুল অসিগী এসিষ্টেন্ট হেড মাষ্টর ইনোচ চাচৈনা প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইনা শরুক য়াখি। কাদাগী ফাইনান্স সেক্রেটরি গিটচন্দ্র মঙাং অমসুং কাদাগী সেক্রেটরি জেনরেল দিপানজিৎ নিংথৌজম্মা রিসোর্চ পার্সনশিং ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুগী রিসোর্চ পার্সন ওইখিবা গিটচন্দ্র মঙাংদা হায়খি, ময়াই কাবা চিঞ্জাক শীজিন্নবা হৌরকপা হায়বসি অহানবদা ইমুং-মনুংদগী হৌরকই। স্কুল, কোলেজদগী হৌরকখিবা নত্তে। ইমুং অদুগী মমা-মপানা মচা ওইবা, ওইবীশিংদা হিদাক মনাগী পোৎলমশিং ওইরিবা ক্বা, খৈনি, চুরুট নচিংবা লৈননবা পাওখোন থাই অমসুং অঙাংশিং অদুগী মমাংদা হায়রিবা ময়াই কাবা পোৎলমশিং অসি শীজিন্নবদা অঙাংশিং অসিনসু মতৌ তম্লিংবা, মহাও য়েংনিংবা ফাওহল্লকই।

অমরোমদা মমা-মপা ওইরিবশিংনা পোৎলমশিং অসি শীজিন্নদনবা হায়রবসু অঙাংশিংগী মমাংদা চারবনিনা অঙাংশিং অদুনা ইমা-ইপাসু চারবনিনা কৈশু তৌরোই খল্লগা ময়াই কাবা চিঞ্জাক্কী মহাও য়েংনিংবা পোকহল্লি।

মসিদসু নত্তনা মমানা ক্বা চাবগী মনমদা নঙগন্দা পোরিবা মচাদুবু ক্বাদা য়াওবা হিদাক মনাগী মহাও তৈরবা য়ুবি অঙাংগী মচিন্দা ইনবীবতা নত্তনা মমানা চারিবা ক্বা ফাওবদা মচাদুনা ইনবিবনা পীক্লিবা অঙাং অদুনা ময়াই কাবা চিঞ্জাক্তা হৈনরক্লবা অচৌবা মরম অমা ওইহল্লি। হায়রিবা ৱাফম কয়া ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা ময়াই কাবা চিঞ্জাক্না ঐখোয়গী হকচাংদা শোকহল্লকপা কয়াগী মতাংদা ভিজুয়েল ওইনা উৎতুনা হৌরক্লিবা চহি নৌরিবা মহৈরোইশিংনা ময়াই কাবা চিঞ্জাক শীজিন্নরক্তনবা ৱাফম কয়া অমসুং ফোঙদোকখি।

মখা তারকপা থৌরম অদুগী প্রসিডিয়ম মেম্বর ওইখিবা ইনোচ চাচৈনা হায়খিবদা, এৱ্যেরনেস প্রোগ্রাম পাঙথোকপসিদা কান্নবা য়াম্না ফংলে। ইনখৎলকপা মহৈরোহ-শিংনা পোৎশক খুদিংমক চাংয়েং তৌনিংবা মতমদা এৱ্যেরনেস প্রোগ্রাম অসি তাহৌরব-নিনা শোয়দনা লাপথোকপা ঙম্লগনি। মহৈরোই-শিংনা ময়াই কাবা চিঞ্জাক শীজিন্নরুবদগী তুংদা অমাংবা ময়াম ওইরকই। শিংনা ময়াই কাবা চিঞ্জাক শীজিন্নবদা কান্নবা অমত্তা পীদে। মরম অদুনা ঙসিদগী ময়াই কাবা চিঞ্জাক্তগী লাপথোকহৌরসি। এম সু অমসুং কাদানা কেম্পেয়ন চথরিবা অসি য়াম্না ফৈ, মথংদসু স্কুল অসিদা এৱ্যেরনেস প্রোগ্রাম অসি পীবিয়ু, স্কুলগী মায়কৈদগী অঙম্বা মতেং পাংজগে হায়বা ৱাফম ফোঙদোকখি।

নাকল অমরোমদা ইম্ফাল ইষ্ট ডিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা মোংসাঙ্গৈগী ত্রিনিটি পব্লিক স্কুলদসু ঙসি নুংথিল স্কুল অসিগী তোঙান তোঙানবা ক্লাসশিংদা চঙদুনা এন্টি দ্রগ কেম্পেয়ন অসি পাঙথোকখি। কেম্পেয়ন অদুদা কাদাগী প্রসিডেন্ট ইন চার্জ হীজম প্রিয়োকুমার, ভাইস প্রসিডেন্ট নিংথৌজম দোরেন, সেক্রেটরি জেনরেল দিপানজিৎ নিংথৌজমনা রিসোর্চ পার্সনশিং ওইনা শরুক য়াখি হায়না কাদাগী এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরি ইনফো-র্মেসন এন্দ পব্লিসিটি ককচিং-তাবম হরিচন্দ্রনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

## ককচীং খুনৌ কোলেজগী প্রিন্সিপাল শীন্দোকপীগনু : এসোসিএসন

ইম্ফাল, এপ্রিল ১৮ (ঐচ এন এস):
ককচীং খুনৌ কোলেজগী প্রিন্সিপাল ইন-চার্জ ডো. এম সর্দাবু শীন্দোকপীগনু হায়না ইমপ্লোয়ী ৱেলফেয়র এসোসিএসন ককচীং খুনৌ কোলেজগী সেক্রেটরি ডো. এল ইবোচৌবীনা পাউমীশিংগা উনবদা ফোঙদোকখ্রে।

মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাউমীশিংগা উনবদা ইবোচৌবীনা হায়খি, ককচীং খুনৌ কোলেজগী প্রিন্সিপাল ইন-চার্জ এম সর্দাবু লৌথোক্লগা ফিজিক্স দিপার্টমেন্টকী এসিষ্টেন্ট প্রো. মনিতোম্বীবু হাপ্লবা দিরেক্টোরেট ওফ য়ুনিভর্সিটি এন্দ হায়র এদ্যুকেসনদা প্রোসেস তৌরি হায়বা ছোর্স অমদগী খঙলে। মসি হৌজিকমক্কী ওইনা তৌবীখিগনু। ডো. এম সর্দানা প্রিন্সিপাল ইন-চার্জ ওইরক্লিবা অসি কুমজা ২০১৫ গী সেপ্টেম্বরদগীনি। চহী ২ রোম তুমিন্না লৈথোক্লুরবা মতুংদা মনিতোম্বীনা নৌনা তৌরক্লিবা কমপ্লেন্ট অসি মরম চাদে।

ডো. এম সর্দা কোলেজ অসিগী টিচিং ষ্টাফশিংগী মরক্তগী খ্বাইদগী এ পি আই ৱাংবা ওজানি। ইন্টিগ্রিটি লৈবা মীশক অমসুনি। মহাক্কী তেল্লবা মতম অসিদা কোলেজ অসি এন এ এ সী এসেস তৌখিবনি। কোলেজ অসিদা লৈবা টিচিং অমদি নন-টিচিং ষ্টাফ পূম্নমক্না সর্দাবু য়াই। কোলেজ অসি কুমজা ২০১৮ দা ষ্টেট কেবিনেটনা লৌশিল্লে হায়না লাউথোকখ্রে। লৈঙাক অমসুং কোলেজ ওঠোরিটি অনীগী মরক্তা তোয়না পাউ ফাওনগদবা মতম ওই। মরী লৈনবা ওঠোরিটিনা প্রিন্সিপাল ইন-চার্জ শীন্দোকপগী থবক অসি তৌবীগনু। ফুল ফ্লেজেদ কোলেজ অমা ওইবগী প্রোসেস পূম্নমক লোইরবা মতুংদা রিগ্যুলর প্রিন্সিপাল অমা নৎত্রগা অতোপ্পা ইন-চার্জ অমা হাপ্লকপদা এসোসিএসনগী মায়কৈদগী অয়েৎপা লৈরোই। হৌজিক প্রিন্সিপাল ইন-চার্জ অসি শীন্দোক্লবা হোৎনরক্লবদি ঈরাং লাক্কনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

## থাগৎপা ফোঙদোরক্লি

**ইম্ফাল, এপ্রিল ১৮ :** কংলৈ পীবা থৌবৈ মীফম মপুং ফাবা পাঙথোক্তুনা নৌহৌননা অমুক হিংগৎনবা হোৎনবতা অচৌবা থৌদাং লৌখিবা পীবাশিংবু উত্রা শঙলেন সনা কোনুংনা থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

পীবা থৌবৈ মীফমগী কনভেনর এল পোইরৈতোননা থোকপা চেরোল অমনা হায়, উত্রা শঙলেন সনা কোনুং, সনামহী লাইনিংকোল অমদি উমং লাই কনবা অপূনবা লূপনা পুন্না খুৎশম্নদুনা পীবারেল লৈশেম্বা সনাজাওবগী লীচিং মখাদা শিনখিবা থৌরম অদুদা কালেনগী নিনি পানবা নুমিৎ অসিবু পীবাগী নুমিৎ হায়না ইনিংথৌ লৈশেম্বা সনাজাওবনা লাওথোকখ্রে।

লোয়ননা মীফম অদুদা য়েক-সলাই অমদি সাগৈ অমসুং ফুরুপ অসিগী শক্তম ঙাকপদা সাগৈগী পীবাশিংগী থৌদাং য়াম্না চাওই। মরম অদুনা পীবাগী নুমিৎ পাঙথোকমীন্নবা, য়েক-সলাই, য়ুম্নাক-সাগৈ অমদি পীবাগী চৎনবীশিংগা মরী লৈননা উত্রা শঙলেনদা পীবা লোইশঙ হাংদোকপনচিংবা য়াওরি।

## জিরি ট্রিটি ১৮৩৩ নিংশিং থৌরম পাঙথোকখ্রে

**জিরিবাম, এপ্রিল ১৮ :** কে এস এ জিরিবাম ডিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিল অমসু জে আই এম দব্লিয়ু এ কেগা খুৎশম্নদুনা ৱান ডে ওবজার্বেসন ওন জিরি ট্রিটি ১৮৩৩ গী থৌরম ঙসি জিরিবামগী টাউন হোলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা কে ঐচ জানকি অদক্ষ্য জিরিবাম জেদ পি, ঐচ ইবোতোম্বী খুমন ইন্টরনেসনল এৱার্দী, এলাংবম সোন্সন প্রসিডেন্ট য়ু সি এম, ডো: চান্দম কোমোল রিটয়দ এসিষ্টেন্ট প্রো: জিরি কোলেজ, টি ঐচ জিনি প্রসিডেন্ট জে আই এম দব্লিয়ু এ কে, এন চেতন প্রসিডেন্ট কে এস এ হেড ওফিস অমসুং বোন্সন লৌরিয়ান প্রসিডেন্ট কে এস এ ডিষ্ট্রিক্ট কম্মিটি জিরিবামনা প্রসিডিয়ম মেম্বরশিং ওইখি।

থৌরম অসিগা মরী লৈননা ৱা ঙাংখিবা মীওইশিং অমদি প্রসিডিয়ম মেম্বরশিং ওইখিবশিংনা হীরম অসিগী মতাংদা তোঙান তোঙানবা ৱাফম কয়া ফোঙদোক্নখি।

প্রসিডিয়ম মেম্বর ওইনা শরুক য়াখিবা কে ঐচ জানকি অদক্ষ্য জিরিবাম জেদ পি না হায়খিবদা, জিরিবাম ডিষ্ট্রিক্ট অসি ষ্টেট অসিগী নোংচুপ থংবা বোর্দর ওইরিবা লমদম অমনি। মসিদা তোঙান তোঙানবা খুন্নাই কাঙলূপ কয়ানা খুন্দারিবা মফম অমসু ওইরি। জিরিবাম অসিদা কম্যুনিটি কয়ানা নুংশি-চান্ননা ঙসি ফাওবা লৈরক্লি। অদুবু জিরিবামদা মীতোপ-মীয়ানচাশিং অসি লৈরবসু য়ান্নবা অমগী মখাদা লৈদুনা য়াম্না ঈং-তপ্পা লমদম অমা ওইনবা হোৎনসি। তৌফম থোকপা মীতোপ-মীয়ানচাশিং খন্দোক্তুনা য়াম্না ঈং-তপ্পা লমদম অমা ওইহনসি হায়খি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদি ঐচ ইবোতোম্বী খুমননা হায়খি, ইন্দিয়াগা অৱাগা লান শোক্লবা মতমদা মণিপুরগী মীওই অমত্তা য়াওদে। মসিনা তাকপদি মণিপুর অসি মনিং তম্বা লৈবাক্নী হায়না ইন্দিয়াগী মীওইশিং অমদি অৱাগী মীওইশিংনা লৌরম্মী।

ইনিংথৌ গম্ভীরসিংহকী মথৌনা লিংজেল, তৌবা ঙম্বা অমদি মপাঙ্গল কনবগী মপালনা চহি ৭ খুন্তাক্লিঙৈ মরক অসিদা চীং-তমগী শরুকশিং অসি ওটোনোমি ওইবগী মওংদা লৈশিনখিবা অদুগুম্বা ময়াম অসি অমদি কাছারগী লমশিং অসিসু লোই চনশিল্লকপদা অসিগুম্বা মণিপুরগী নিংথৌগী কন থৌবা অসিদা বৃটিশকী ইষ্ট ইন্দিয়া কম্পেনিনা তুং ইন্দুনা য়াম্না চাওবা লৌশিং অমা ওইগদৌরে হায়দুনা বৃটিশশিংনা খনখি। অসুম্না মতম অমদা মণিপুর অসি য়াম্না পাক-চাওবা লমদম অমা ওইরম্মী। ইনিংথৌ গম্ভীসিংহগী মতুংদা খরা শোন্তক তৌবা নিংথৌশিং লাকপদগী হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসি ওইখিবনি হায়বা য়াই।

ইনিংথৌ গম্ভিরসিংহনা বৃটিশতা মতেং ইতেং পাংনসি হায়না য়ান্নরগা বৃটিশকা পূল্লগা মণিপুর লেভি হায়বা অমা শেম্লবা মতুংদা কুমজা ১৮২৬ দা অৱাবশিং মণিপুরদগী তান্থোকখি। জিরিবামদা খুন্দাবা হৌখিবসি কুমজা ১৮৯১ অমসুং কুমজা ১৯৪১ দা গম্ভিরসিংহগী মনাওনুপা ওইরিবা রাজাদুক্স্রনা শিন্দুনা পাঙল নত্তবা অতোপ্পা লূপশিংনা খুন্দাবা য়ারগনি হায়না মহাক্না খুন্দাহনখিবগী ৱারি কয়া লৈরি হায়বা ৱাফম কয়াসু ফোঙদোকখি।

## লিগেল এৱ্যেরনেস প্রোগ্রাম পাঙথোকপগা লোয়ননা স্কুল য়ুনিফোর্মসু য়েন্থোকখ্রে

**য়াইরিপোক, এপ্রিল ১৮ :**
মণিপুর ষ্টেট লিগেল সার্ভির্সেস ওথোরিটি ইম্ফালগী লিচিং মখাদা ডিষ্ট্রিক্ট লিগেল সার্ভিসেস ওথোরিটি ইম্ফাল ইষ্টনা লিগেল এদ ক্লিনিক অমা নুংব্রংগা পুন্না খুৎশম্নদুনা নোংমগী ওইবা লিগেল এৱ্যেরনেস প্রোগ্রাম অমা ঙসি কামু চীং হায় স্কুলদা পাঙথোকখ্রে।

জজষ্টিস ইন ট্রুথ হায়বা হীরমদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা মণিপুর ষ্টেট লিগেল সার্ভিসেস ওথোরিটিগী মেম্বর সেক্রেটরি আর কে মেমচা, এডিস্নেল মেম্বর সেক্রেটরি ওজেস মুতুম, কামুচীং হায় স্কুলগী হেড মাষ্টর লাইশ্রম রাজেন, নুংব্রং মৈরা পাইবী লূপকী সেক্রেটরি এন ইবেতোম্বী, এম ডি ডি এ ভি এল সিগী ভাইস প্রসিডেন্ট এস চন্দ্রজিৎ লৈমা অমসুং লিগেল এদ ক্লিনিক নুংব্রংগী কোওর্দিনেটরসু শরুক য়াখি।

মতুংদা মোব জষ্টিজ অমসুং চাইল্ড এব্যুজদা য়ুম্ফম ওইবা মণিপুর ষ্টেট লিগেল সার্ভিসেস ওথোরিটিনা পুথোকপা সোর্ট ফিল্ম 'মাই মোম' মীয়ামদা খুদোল তমখি।

মণিপুর ষ্টেট লিগেল সার্ভিসেস ওথোরিটি, ডিষ্ট্রিক্ট লিগেল সার্ভিসেস ওথোরিটি অমসুং লিগেল এদ ক্লিনিক নুংব্রুংনা খুৎশম্নরগা স্কুল অদুগী মহৈরোই ৭০ দা স্কুলগী য়ুনিফোর্মশিংসু য়েন্থোকখি হায়রি।

## 'লৈঙাক্না এস্কোর্ট কুংনা থাবিয়ু'

ইম্ফাল, এপ্রিল ১৮(ঐচ এন এস):
মণিপুরগী অনিশুবা লাইফ লাইন ওইরিবা ইম্ফাল-জিরিবাম লম্বী নেসনল হায়ৱে ৩৭ অসি লম্বী- থোং ফত্তবনা মরম ওইরগা লম্বী অসিদা চেল্লিবা গাড়িশিং লৈতানা চেনবা ঙমদ্রে হায়না মণিপুর দ্রাইভরস ৱেলফিয়রস এসোসিএসননা ফোঙদোরক্লি।

মণিপুর দ্রাইভর ৱেলফিয়র এসোসিএসনগী জেনরেল সেক্রেটরি এল তোম্বনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, লম্বী অসিদা গাড়ি চৎপদা খুদোং চাদবা থোহল্লিবা অসিগী মরু ওইবা মরমদি এস্কোর্ট লৈতবদগীনি। হপ্তা অমতা এস্কোর্ট অনিরক পীবিবা তারবদি লম্বী অসি লাইফ লাইন অমনি হায়বগী ৱাস্থোক লৈগনি। নোংজু থা য়ৌরকপা মতমদা লম্বী অসিদা চান-থক্লবা পোৎলমশিং পুশিল্লকপা মতমদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লবদগী নোং য়ুশিন্দুনা পৎপা-পুন্বা মায়োক্লবা হায়বসি শোয়দবনি। পোৎ পুবা গাড়িশিং জিরিবামদা কুইনা পন্দুনা লৈবনা গাড়ি চৎলিবা মীওইশিংদা খুদোংচাদবা কয়া মরুম থোহকল্লে। লম্বী অসিদা আর ও পি থম্বিনবা লৈঙাক্তা তকশিনবা কয়া লৈখ্রবসু থবক্তা ওন্থোকপীরক্তবসি খুদোংচাদবা কয়া মরুম লৈরম্বা য়াই। অদুবু এস্কোর্ট কুংনা থাবিনবা লৈঙাক্কী পুক্নিং চিংশিল্লক্লি।

## য়াইরিপোক্তা সি এমগী হকশেলগী তেংবাংগী কার্দ য়েন্থোকখ্রে

**য়াইরিপোক, এপ্রিল ১৮ :**
ষ্টেট অসিদা লৈরিবা লাইর-নং, তোল্লা-তারবা অমদি লুখ্রাবীশিংনা থেংনরিবা অনা-লায়েংবদা লায়েংমল শেল পুথোকচবা ঙমদবগী অৱাবা কয়া অদু কোকননবা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা হৌদোকখিবা চীফ মিনিষ্টরগী হকশেলগী তেংবাং (সি এম ঐচ টি) কার্দ য়েন্থোকপগী থৌরম অমা ঙসি য়াইরিপোক খোইরোম কাঙজৈবুংদা পাঙথোকখ্রে।

নেসনল পিপলস পার্টি (এন পি পি), ৩২-ৱাঙ্খেম এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সিনা শিন্দুনা পাঙথোকখিবা কার্দ য়েন্থোকপগী থৌরম অদুদা ৱাঙ্খেম জিলা পরিষদকী নোমিনি মেম্বর কে ঐচ সোভানা চীফ গেষ্ট, এন পি পি মণিপুর য়ুনিটকী সেক্রেটরি ওর্গনাইজেসন লাইশ্রম থানিলনা প্রসিডেন্ট অমসুং লৈরোংথেম-নিঙেল গ্রাম পঞ্চায়তগী নোমিনি প্রধান সলাম কুমারনা গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি।

কার্দ য়েন্থোকপগী থৌরম অদুগা মরী লৈননা ৱা ঙাংবদা এন পি পি মণিপুর য়ুনিটগী সেক্রেটরি ওর্গনাইজেসন এল থানিলনা হায়খি, ষ্টেট অসিগী চীফ মিনিষ্টরনা হৌদোকখিবা লাইর-অনং, তোল্লা-তারবা অমদি লুখ্রাবীশিংগী অনা-লায়েংদা মতেং ওইনবা হৌদোকখিবা সি এম ঐচ টি স্কিম অসি ৱাঙ্খেম এ সিগী ওইনসু কার্দ অসিবু ফংবা য়ারবশিংদা ফংহন্নবা এন পি পি ৱাঙ্খেম য়ুনিটনা মীয়ামদা ফংহন্নবা হোৎনরকপনি। কনাগুম্বা কনাগুম্বী সি এম ঐচ টিগী কার্দ পায়রবা ইমুং অমনা খুদোংথিবা অনা-অয়েক য়াওরকপদা অনা-লায়েংগীদমক লুপা লাক্ষ ২ ফাওবগী তেংবাং লেম্না লৈঙাক্তগী ফংগদৌরিবনি। চহি অসিগী মার্চ ২১ দগী ২৩ ফাওবা ৩২-ৱাঙ্খেম এ সিগী ওইনা মেগা এনরোনমেন্ট কেম্পেয়ন অমা পাঙথোকখি। হায়রিবা কেম্পেয়ন অদুদা পূন্না বিনিফিসিয়রি ওইবা য়ারবা ইমুং ১২৫০ গী মীং পীখৎলকপগী মনুংদা ইমুং ৬০০ তা কার্দ ঙসি য়েন্থোক্নবনি। লেমহৌরিবা ইমুং ৬৫০ অসিগীসু অথুবা মতমদা মখোয় মখোয়গী কার্দশিং য়েন্থোক্নবা হোৎনরি হায়খি।

চীফ মিনিষ্টর বিরেননা লোয়া লম য়াওনা মণিপুরগী মীয়ামগীদমক য়াইফ-থৌরাং কয়া পায়খৎলক্লিবা অমদি হৌদোরক্লিবা স্কিমশিং অসি ঙল্লিবমখে ৱাঙ্খেম এ সিগী মীয়ামদা য়ৌহন্নবা এন পি পি ৱাঙ্খেম য়ুনিটনা অঙম্বা মতেং পাংখিবগনি হায়না মখা তানা ফোঙদোকখি।

## কাছারগী ঈরৈমা লাইরেম্বীগী লাইশঙ শঙ্গাখ্রে

**সিলচর, এপ্রিল ১৮:**
কাছারগী লক্ষিপুরগী মনুং চনবা নুংফৌ লৈকাইদা ঈরৈমা লাইরেম্বীগী লাইশঙ অমা ঙসি শঙ্গাখ্রে।

লাইশঙ শঙ্গাবগী থৌরম অদু এস সুভাঙ্কর সিংহা প্রসিডেন্ট ঈরৈমা লাইরেম্বী টেম্পল মেনেজমেন্ট কম্মিটি কাছারনা প্রিসাইদ তৌখি। মণিপুর লেজিস্লেটিব এসেমব্লিগী ডেপ্যুটি স্পিকর কে রোবিন্দ্রো, লক্ষিপুরগী এম এল এ রাজদিপ গৌলা, বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী জেনরেল সেক্রেটরি এডমিনিষ্ট্রেসন কে সরতকুমার, কো কনভেনর বেতি বচাও, বেতি পরাও কম্মিটি মুতুম রিনা অমসুং ইন্টরনেসনল রিলেসন্স কাছার ডিষ্ট্রিক্ট কম্মিটিগী কনভেনর লাইরিকয়েংবম থোইবনা চীফ গেষ্ট অমসুং গেষ্ট ওফ ওনরশিং ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা টি রবিন্দ্রো সেক্রেটরি ঈরৈমা লাইরেম্বী টেম্পল মেনেজমেন্ট কম্মিটি অমসুং এল রাজকিশ্বর এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরি ঈরৈমা লাইরেম্বী টেম্পল মেনেজমেন্ট কম্মিটিনা মথং শিৎনা তরাম্না ওকপগী ৱারোল অমদি কিনোট এড্রিস পীখি। থৌরম অদুদা ডো: য়েঙ্খোম মেধাজিৎনা এডিট তৌবা সোভেনর অমসু ফোঙখি। থৌরম অদুদা সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসনগী লুচিংবশিং, নুপী কাঙলূপকী লুচিংবশিং অমদি খঙ- হৈরবা কয়ানা শরুক য়াখি।

## সি পি আই (এম) গী ২২ শুবা কোংগ্রেস পাঙথোকখ্রে

**ইম্ফাল, এপ্রিল ১৮ :** লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদগী লাকপা ডেলিগেটশিংনা শরুক য়াদুনা হাইদ্রবাদতা সি পি আই (এম) গী ফিরাল চীংখৎতুনা ২২ শুবা সি পি আই (এম) গী কোংগ্রেস হৌখ্রে।

তেলেঙ্গনাগী থৌনা ফৱবা খুৎলাইপায়বা ঈহৌগী লুচিংবা ওইখিবা মালু স্বারাজয়মনা সি পি আই (এম) গী ফিরাল চীংখৎতুনা হৌদোকখিবা থৌরম অদুদা জেনরেল সেক্রেটরি সিতরাম য়েচুরি, প্রকাশ কারত, বিমন বাসু, বৃন্দা কারত, মনিক সরকার লোয়ননা ক্ষেত্রিময়ুম সান্তা সেক্রেটরি সি পি আই (এম) মণিপুর অমসুং শৌগ্রাকপম রোমা সেক্রেটরিয়েট মেম্বরসু শরুক য়াখি।হৌদোকপগী থৌরম অদু মনিক সরকারনা প্রিসাইদ তৌখি। সেসন অদু হৌদোক্লবা মতুংদা পদ্মা ভুষন এৱার্দী হৈস্নাম কনহাইলাল অমসুং ফোরমর ষ্টেট কম্মিটি মেম্বর থাংজম তর্পোননা লৈখিদবগী কোন্দোলেন্স রিজোলুসনসু লৌখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা সিতারাম য়েচুরিনা হায়খি, লৈবাক অসিগী সেক্যুলর, ডেমোক্রেটিক, রিপব্লিকান, কন্সটিট্যুস্নেল ভেল্যুশিং লৈহননবা অমসুং মীয়ামগী মাংদা তাদুনা লৈরিবা শীংনবা কয়া অসি মায়োক্লনবা লৈবাক অসিগী লেফট পার্টিশিং পুনশিন্দুনা অমত্তা ওইনা মাংলোমদা চঙশিনমীন্নগদবনি।২২ শুবা কোংগ্রেস অদুদা বি জে পি লৈঙাকপী মায়থিবা পীনবা সেক্যুলর ডেমোক্রেটিক ফোর্স অমা শেমগৎনবা মাইওন লেপ্পগী ৱাফমসু খন্নখি। সি পি আইগী জেনরেল সেক্রেটরি সুধাকর রেদি, সি পি আই (এম-এল) লিবরেসনগী জেনরেল সেক্রেটরি দিপান্দ বটাচারিয়া, এ আই এফ বিগী সেক্রেটরি জি আর সিবসঙ্কর, আর এস পিগী সেন্টেল সেক্রেটরিয়েৎ মেম্বর মনোজ বটাচরিয়াসু অমসুং এস য়ু সি আই (সি)গী পি বি মেম্বর অসিৎ বতাচরিয়ানা নুংঙাইবা ফোঙদোকখি।

## নোর্থ ইষ্ট ইন্দষ্ট্রিয়েল দিভলপমেন্ট স্কিম চৎনবা হৌনবা গেজেট নোটিফিকেসন থোকখ্রে

গুৱাহটি, এপ্রিল ১৮:
য়ুনিয়ন কেবিনেটনা হৌখিবা মার্চ ২১ দা অয়াবা পীখ্রবা নোর্থ ইষ্ট ইন্দষ্ট্রিয়েল দিভলপমেন্ট স্কিম হৌদোকখ্রে হায়না গভর্নমেন্ট ওফ ইন্দিয়ানা হৌনবী মতুং ইন্না লাউথোকখ্রে। হীরম অসিগী মতাংদা নোটিফিকেসন অমা থোকখ্রে। স্কিম অদু মতম হঙ্গৎনা হৌখিবা ২০১৭ কী এপ্রিল ১ দগী কুমজা ২০২২ গী মার্চ ৩১ ফাওবা চৎনগনি হায়রি।

ইন্দষ্ট্রিয়েল য়ুনিটশিংনা স্কিম অদুগী কান্নবশিং লৌদ্রিঙৈগী মমাংদা য়ুনিটশিং অসিনা তৌরিবা ক্লেম পুন্বা ইমপৱার কমিতি অমনা য়েংশিনগনি। সিক্কিম য়াওনা অৱাং নোংপোক্কী ষ্টেট খুদিংমক্তা স্কিম অসিগী কান্নবা লৌবা য়াগনি।

য়ুনিয়ন কেবিনেটকী স্কিম অদুগী অয়াবা পীখিবা মতুংদা গভর্নমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী মিনিষ্ট্রি ওফ কর্মর্স এন্দ ইন্দষ্ট্রিগী ইন্দষ্ট্রিয়েল পোলিসি এন্দ প্রমোদনা দিপার্টমেন্তনা হৌখিবা এপ্রিল ১২ দা স্কিম অদুগী গেজেট নোটিফিকেসন থোকখি।

গভর্নমেন্তগী গেজেট নোটিফিকেসন অদুনা হায়, ইন্দষ্ট্রিয়েল পোলিসি এন্দ প্রমোসন দিপার্টমেন্তগী সেক্রেটরিনা লুচিংবা ইম্পৱার কমিতি অমা শেমলগনি। কমিটি অদুগী অতৈ মেম্বরশিংদুনা দিভলপমেন্দ ওফ নোর্থ ইষ্টর্ন আয়োগকী মীহুৎ, গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী মরী লৈনবা মিনিষ্ট্রিশিং অমসুং দিপার্টমেন্টশিংগী সেক্রেটরিশিং মরী লৈনবা ষ্টেটশিংগী চীফ সেক্রেটরিশিং অমসুং ইন্দষ্ট্রি সেক্রেটরিনচিংবা কয়াসু য়াওখি। স্কিম অদুগী বেনিফিসরিশিং অদু মখোয়না খনগনি। নোর্থ ইষ্ট ইন্দষ্ট্রিয়েল দিভলপমেন্ট ফাইনান্স কোর্পোরেসন লিমিটেদ (এন ই দি এফ আই)না স্কিম অদুগী মখাদা পীরিবা কান্নবশিং থাদোক্নদবা নোদেল এজেন্সি ওইগনি। এন ঈ দি এফ আইনা ফন্দশিংদু মতিক চাবা ইন্দষ্ট্রিয়েল য়ুনিটশিংগী দেজিগনেটেদ বেঙ্ক একাউন্টশিংদা ই-ট্রান্সফর তৌবগী খুথাংদা থাদোক্কনি। কেপিটেল ইনভেষ্টমেন্ট স্কিম অমসুং ট্রান্সপোর্ট ইন্সেন্টিভকা মরী লৈননা দিপার্টমেন্ট ওফ ইন্দষ্ট্রিয়েল পোলিসি এন্দ প্রমোসন (দি আই পি পি) না ফংলিবা ক্লেমশিং অদু শকখঙনবা ইন্দিদেন্দেন্ট ওদিট এবেসিন হাপ্পা স্ক্রুতিনি তৌগনি। দি আই দি দিগী চীফ কন্ট্রোলর ওফ একাউন্টসনা ক্লেমশিং অদুগী চাদা ২০ পোষ্ট ওদিট তৌগনি।

ইলিগিবিটি ক্রাইটেরিয়াগী মতাংদা নোটিফিকেসন অদুনা হায়, নেগেটিব লিষ্টতা য়াওবশিং নৎতবা অনৌবা ইন্দষ্ট্রিয়েল য়ুনিট পুম্নমক্না স্কিম অসিগী কান্নবশিং লৌবা য়াগনি। অৱাং নোংপোক লমদমদা পাইখৎপা মেগৱাট ১০ ফাওবা পুথোকপা হাইদেল পৱার য়ুনিটশিং অমসুং বাইওটেক্নোলোজি য়ুনিটশিংনা স্কিম অসিগী কান্নবশিং লৌবা য়াগনি হায়রি।